মীওই কয়ামরুম হাৎপদা মতেং পাংখিবগী মতাংদা প্রোসিকুট্যটরশিংনা মরাল শিখ্রে

বর্লিন, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

জর্মন প্রোসিক্যুটরশিংনা চহী ৯৫ শুরবা মীওই অমবু ওষ্ট্রিয়াগী নাজি কেম্পতা ইনমেট লিশিং কয়া শিহনখিবদা চেন্নবগী মরাল শিখ্রে।

লোগী ওইবা মরম খরদগী হান্স ঐচ হায়বা মিং খক্তনা শক্তাকখিবা বর্লিনদা লৈবা মীওই অদু কুমজা ১৯৪৪ গী ময়াই চনবদগী ১৯৪৫ গী অঙনবা শরুক ফাওবদা মাউথৌসেনদা গার্দ অমা ওইনা লৈখি হায়রি। বর্লিন প্রোসিক্যুটরগী ওফিসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা মহাকপু মী হাৎপগী ওপরেসন্দা য়াওবগী মরাল শিখি। মহাক ৱায়েল মায়োক্লরিবা হান্নগী দেথ-কেম্প গার্দশিংগী মনুংদগী খ্বাইদগী নৌবা মীশকনি।

ওষ্ট্রিয়াগী খ্বাইদগী চাউবা নাজি দেথ কেম্প ওইরিবা মাউথৌসেনদা ফাজিন্দুনা থমখিবা মীওই ১৯০,০০০ গী মনুংদগী তঙ্খাই অমদি হাৎখি। হান্স ঐচতা প্রোসিক্যুটরশিংনা শিরিবা মরালদি নাজিগী মী হাৎফম কেম্প অদুদা মী হাৎপদা মহাক্না মতেং পাংখি নৎত্রগা মী হাৎপগী থবক্তু পাঙথোকপদা মহাক্না খুদোংচাহনখি হায়বসিনি। মহাক চেন্নবদা শিখিবা মী মশিংনা ৩৬,২২৩ নি হায়না প্রোসিক্যুটরশিংনা ফোঙদোকখি।

লিঞ্জ সিটিদগী কিলোমিটর ২০ (মাইল ১২) লোম লাপ্না লৈবা কেম্প অদুদা নাজি ওথোরিটিশিংগী য়েক্ল বশিংনি হায়না খন্নবশিং থল্লম্মী। মীওই কয়া স্লেব লেবরগী খুথাংদা থবক শুরগা শিখি। মীওই কয়া অমনা গ্যাস থাজিল্লগা, নোংমৈনা কাপ্লগা কেমিকেল কাপশিল্লগা, চরা হেনহল্লগা হাৎখি নৎত্রগা ঈংহন্দুনা থল্লগা শিহনখি। প্রোসিক্যুটরগী ষ্টেটমেন্টনা হায়, নাজি এস এস য়ুনিটতা লৈরগা থবক তৌখিবা একুজ অদু কেম্প অদুদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীশিংদুবু হাৎপগী মওংশিং অমদি মখোয়না কেম্প অদুদা লৈরিবা শাথিরবা ফীভমশিং মুন্না খঙখি। মীহাৎপশিংনা মীওই লিশিং কয়া হাৎখিবগী থবক অদুদা মহাক্না মতেং পাংখি নৎত্রগা থবক অদু মহাক্না হেন্না লাইনা পাঙথোকপা য়াহনখি। মহাক্কী কেস অদু ৱায়েল চথগনি নৎত্রগা চথরোই হায়বদু বর্লিনগী কোর্ট অমনা লেপকনি।

হন্দক্কী অতৈ কেসশিংগী মনুংদা হৌজিক্কী নোরদর্ন পোলেন্দদা লৈখিবা ষ্টুথোফ কেম্পতা মী ময়াম পাক্তক্লনা হাৎখিবদা চেন্নবগী মরাল শিদুনা নবেম্বর ৬ তা ৱায়েল চথখিবা মশাগী চহী ৯৪ শুরবা জোহন রেহবোগেনগীসু য়াওরি। অতোপ্পা লিগেল কেস অমদনা হৌজিক্তি চহী ৯৪ শুরবা হান্নগী এস এস গার্দ অমা চেন্নরি। মহাকপু ঔসৱিটস- বির্কেনৌদা চথখিবা মী ময়াম অমা তোরা তুনা হাৎখিবদা মতেং পাংখি হায়না মরাল শিখি। মহাকপু ৱায়েল চথগদ্রা হায়বদু মনহৈমগী কোর্ট অমনা লেপকনি।

ঔসৱিটসতা থবক তৌরিবা ওস্কার গ্রোনিং অমসুং রৈইনহোল্ড হান্নিং কৌবা চহী ৯৪ শুরবা মীওই অনী অসি মায় পাক্লা কনভিক্ট তৌখি তৌইগুম্বসুং জেলদা থমদ্রিঙৈগী মমাঙদা শিখি। জোন দেমজানজুক কৌবা ওকুপাইদ পোলেন্দগী সোবিবোর কেম্পতা লৈখিবা গার্দ অমা কনভিক্ট তৌখিবগা লোয়ননা হান্নগী দেথ-কেম্পকী গার্দশিং ৱায়েনবগী মতাংদা কুমজা ২০১১ দা লোগী অহোংবা লাকখি। মহাকপু ৱায়েল চথখিবগী থৌদোক্না দেথ কেম্পকী ওপরেসনশিংদা মী হাৎপা নৎত্রগা ওৎনৈবদা হকথেংননা শরুক য়াখিদ্রবসু মদুদা মতেং পাংখিবা নৎত্রগা চেন্নখিবগীদমক হান্নগী গার্দশিংবু প্রোসিক্যুট তৌবা য়াবগী ফীভম অমা লাকহনখি।

টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ু এস প্রসিদেন্ট ত্রম্পকী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইষ্টানবুল, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পপু সাউদি জর্নেলিষ্ট জমল খাসোজিগী মীহাৎকী মতাংদা খঙশিন-তাশিন্নদনা লৈ হায়না মরাল শিখ্রে। মীহাৎ অদুদা সাউদি ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ সলমান চেন্নদে হায়না য়াম্না ইচঙ থৌনা ফোঙদোকখিবা মতুংদা ত্রম্পপু টর্কিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা মরাল অসি শিখিবনি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা থেংসগিভিং কোলগী থৌরমদা ৱা ঙাঙখিবা ত্রম্পনা মোহম্মদ বিন সলমান মশানা খাসোজিবু হাৎনবা ওর্দর তৌখি হায়বা সী আই এগী ৱারোইশিনগী তায়োন্নবা ৱাফম ফোঙদোকখি। ৱাশিংতন পোষ্টকী কলমনিষ্ট অদু হৌখিবা থাদা ইষ্টানবুলদা লৈবা সাউদি কোন্স্যুলেটতা মীহাৎপা টিম অমনা হাৎখি হায়বা ৱাফম সাউদি ওফিসলশিংনা য়াখি, তৌইগুম্বসুং মীহাৎ অদুদা বিন সলমান চেন্নবগী ৱাফমদি য়াখিদে।

অমরোমদা হায়রগা ত্রম্পকী থৌওং অসি লাক্লিংবা ফীভম লাক্লবসু থৌদোক অদু মহাক্না উশিন্নররোই হায়বগা মান্নে। অসিগুম্বা থৌওং অসি লাল্লি। শেলনা খুদিংমক য়াবা নত্তে। ঐখোয়না মীওইবগী ভেল্যুশিংবু লুনা অমসুং মমল লৈনা লৌগদবনি হায়না টর্কিশ ফোরেন মিনিষ্টর মেভলুত কাভুসোগলুনা সী এন এন টর্কতা হায়খি।

এম বি এস চেন্নবগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্টনা মহাক চেন্নরম্বা য়াই নৎত্রগা চেন্নরমদবসু য়াই হায়খিবসি নুংঙাইবা ৱাফম অমনি। করিদা য়ুম্ফম ওইরগা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোক্লিবনো হায়বসি ঐখোয় খঙদে হায়না কাভুসোগলুনা ক্রাউন প্রিন্সকী মিংগী ইনিসিএলশিং শীজিন্নদুনা হায়খি।

জমল খাসোজি মীহাৎকী ৱাথোক অসিদা ত্রম্পনা সাউদি ক্রাউন প্রিন্সকী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা মালেমগী মীচঙ ওইরি। ত্রম্পনা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা সাউদি থ্রোন পায়রক্কদৌরিবা সলমানবু শৌগৎতুনা ঙাঙখি অমসুং কিংদম অদুগা অমেরিকাগা লৈনবা মরীবু লুনা পনখি। সী আই এগী ৱাফম অদু ইচম চম্না পূক্নিংদা ফাওবগী মওংনি। মপুং ফাবা ৱারোইশিন অমদি নত্তে হায়না ত্রম্পনা ফোঙদোকখি।

ক্রাউন প্রিন্স সলমানবু মীহাৎতুগী মতাংদা মরাল শিদনবা মহাক্না লৌরিবা ৱারেপ অদু অচুম্বনি হায়না উৎনবা হোৎনরদুনা ত্রম্পনা হায়, সাউদি অরাবিয়াগা মরী শোকহল্লকপা তারবদি মালেমদা খুদোংচাদবা কয়া থোকহনগনি। মদুনা থবক লিশিং চা কয়া মাঙহনগনি অমসুং ইজরেলবুনা কনামত্তনা ঙাক শেন্দবগী ফীভমদা লৈহনগনি। জর্মনি, ফ্রান্স, দেনমার্ক অমসুং ফিনলেন্দ য়াওনা য়ুরোপকী লৈবাক কয়ানা খাসোজিগী মীহাৎকী মতাংদা সাউদি অরাবিয়াগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনখ্রে। ৱাথোক অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা মখোয়না রিয়াধতা য়েমেনগী লানগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌনবসু তকশিনখ্রবনি।

ব্রেক্সিট দিলনা বৃটিশ ইকনমি কনগনি : ফাইনান্স মিনিষ্টর

ইদিনবর্গ নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্নবগী দ্রাফ্ট দিল অদু শেল-থুমগী ফীভম ঙাক শেন্নবগী অমসুং খাইবুং তানরবা লৈবাক অদুবু অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা হৌনবগী খ্বাইদগী ফরবা সোল্যুসননি হায়না চান্সলর ফিলিপ হাম্মননা হায়খ্রে। স্পেননা গিব্রাল্টরগী মতাংদা য়েৎলকপনা ব্রেক্সিটকী থৌরাংদা অকায়বা পীনিংঙাই ওইরবসু ব্রেক্সিটকী দিল অদুবু হৌনবী মতুংইন্না অয়াবা পীনবগীদমক বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর তেরেসা মেনা নোংমাইজিং নুমীৎতা ব্রসেলজদা ঈ য়ুগী লুচিংবশিংগা উনগনি। করিগুম্বা মদু এপ্রুভ তৌবা তারবসু মেনা দিল অদু বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টগী অয়াবা লৌনবা তৌবদা অকনবা খুরৌ থাংবা য়াই হায়না থাজনরি।

'য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা রেপকী লোশিং শেমদোক্কদবনি'

লন্দন, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী অনৌবা এনালাইসিস অমনা য়ুরোপকী মফম কয়াদা চৎনরিবা রেপকী লোশিং খুদোংথিনিংঙাই ওই অমসুং মতমগা চুনদ্রে হায়রি।

ষ্টদি অদুদা য়ুরোপকী লৈবাক ৩১ গী মনুংদগী শুপ্নগী নিপান হায়বদি আইরলেজ, য়ু কে, বেলজিয়ম, সাইপ্রস, জর্মনি, আইসলেন্দ, লক্সেমবর্গ অমসুং স্বিদেনদা ভিক্টিম মশাগী অয়াবা য়াওদবা সেক্সপু রেপনি হায়না খঙনৈ। য়ুরোপকী অয়াম্বা লৈবাক্নদি মশাদা চৈথেং পীবা, কিহনবা নৎত্রগা নম্ফুগী থৌওং য়াওরবা মতম খক্তদা অশেংবা রেপনি হায়না লৌরি। লৈবাক খরনা অমুক অয়াবা য়াওদবা সেক্সপু তোঙানবা অমদি লুশিনবা ৱাৎপা ওফেন্স অমনি হায়না লৌরি হায়না এমনেষ্টিনা হায়খি।

ক্রোএসিয়াদা কনভিক্ট তৌবা রেপিষ্টশিং য়াল্লবদা চহী ১০ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই অদুগা অয়াবা য়াওদবা সেক্সকা মরী লৈনবা কনভিক্টশিংনা য়াল্লবদা চহী ৫ ফাওবা জেলদা থম্বা য়াই।

মাল্টাদা ইমুংগী ফজবা চৎনলোনচৎশিংদা শোকহনবা ক্রাইমশিংগসু মরী লৈননা সেক্সুএল ওফেন্সকী লো শেমখি। জেন্দরদা য়ুম্ফম ওইবা ভাইঅলেন্সকা মরী লৈনবা ২০১৬ কী য়ুরোপিয়ন কম্মিসন স্পেসল য়ুরোবেরোমিটর রিপোর্টকী মতুংইন্না, রেস্পোন্দেন্ট পুম্নমক্কী অহুম থোকপগী অমনা (চাদা ২৭ না) অয়াবা য়াওদবা সেক্স অসিসু মতাং মতম খরদা লোনা য়াহনগদবনি হায়না ফোঙদোক্লখি। অদুগুম্বা সেক্সকী মতাং মতমশিং ওইনা খন্নগদবশিংগী মনুংদা মীওই অদু য়ুথকপা নৎত্রগা দ্রগ শীজিন্নবগী মতম ওইবা (চাদা ১২), কনাগুম্বা অমগা মশানা য়ানা য়ুমদা চৎমিন্নখিবা (চাদা ১১), নাতে চাদবা ফিরোল শেৎ-চাবা (চাদা ১০), অথিংবা পীদবা নৎত্রগা য়াদে হায়না শেংনা হায়দবা (চাদা ১০) ফীভমশিং অসি য়াওরি।

লোগী অশোনবা লৈবা, ভিক্টিমবু মরাল শিবগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা চৎনবী অসিনা সেক্সুএল এসোল্টকী ভিক্টিমশিংনা থৌদোকশিং অদুগী ৱাকৎপদা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়না গ্রুপ অদুনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মালেমগী হ্যুমেন রাইটস ষ্টেন্দর্দসকা চান্নগদবা লোশিং শেম্নবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা আপিল তৌখ্রে। মশাগী অয়াবা য়াওদবা সেক্স হায়বসি রেপনি হায়না এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী নোংচুপথংবা য়ুরোপ অমসুং নুপীশিংগী রাইটশিংগী মতাংদা থীজিন হুমজিল্লিবা অন্না ব্লসনা ফোঙদোকখি।

গে মেরিয়েজগী মতাংদা ৱারেপ লৌনবা ভোট থাদনখ্রে

তাইপৈ, নবেম্বর ২৪: টাইৱানবু লোনা গে মেরিয়েজ য়াহনবা এসিয়াগী অহানবা লম ওইহনবা য়াগদৌরিবরা হায়বা লেপ্পবগী রেফরেন্দম অমদা ঈথৎ অদুগী মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে।

ঈথৎ অদুগী তোপ কোর্টনা মান্নবা সেক্স মশেল লুহোংবগী ৱাফম শৌগৎতুনা রুলিং পীখিবগা লোয়ননা লো শেমদোক্লবা নৎত্রগা অনৌবা লোশিং পাস তৌনবা পার্লিয়ামেন্টদা চহী অনীগী মতম পীখি। তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমনা ঈথৎ অদুগী মীয়াম্না অহোংবা লাকহনবগী মায়োক্তা ভোট পীগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। লৈরিবা ইস্যুদি চাইনাগা তেন্সন হেনগৎহল্লকপা য়াবা মওংদা মখোয়বু ২০২০ গী টোকিয়ো ওলেম্পিক্সতা টাইৱান কৌহনগদ্রা নৎত্রগা চাইনিজ টাইপৈ হায়না কৌহনগদ্রা হায়বদু ভোটরশিংনা খন্নগদবনি। হৌজিক টাইৱানগা চাইনিজ তাইপৈগা কন্না লম্বা তৌনরি। অকোনবগী মমিং অসি কুমজা ১৯৮০ গী চহী পরিং অদুদা চাইনাগা য়ানখিবা মিংনি। মসি টাইৱানগী ষ্টেটস খরা লুবদগীনি। কুমজা ১৯৪৯ দগী ঈথৎ অসি মশানা লৈঙাকচরকখি। তৌইগুম্বসুং চাইনানদি ঈথৎ অসি চাইনাদগী চোইথোকখিবা নোংমদি শোয়দনা পুনশিল্লক্কদবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌই।

রেফরেন্দমশিংদুগা লোয়ননা টাইৱানদা লোকেল মীখলসু পাঙথোকখি। রাইভেল গ্রুপশিংনা পুথোক্লরিবা তোঙান তোঙানবা রেফরেন্দমশিংনা ঙসিগী ইস্যু ওইখি। কঞ্জার্ভেটিভ গ্রুপশিংনা মেরিয়েজ (লুহোংবা) হায়বসি লোগী মীৎয়েংদা নুপা অমগা নুপী অমগগী মরক্তা ওইগদৌরিবরা হায়না হংখি অদুগা অমরোমদা এল জি বি টি এক্টিভিষ্টশিংনা মান্নবা সেক্সশিংগী মরক্তা লুহোংবগী মান্নবা রাইটশিং লৈহন্নবা তকশিনখি। নাকল অনীনা ভোটরশিংদা এল জি বি টিগী ইস্যুশিংগী মতাংদা স্কুলশিংগী মহৈ তম্বদা য়াওহনবগী ৱাফম য়াওনা অতৈ ইস্যুশিংসু ভোটরশিংদা খন্নহনখি।

টাইৱান পব্লিক ওপিনিয়ন্স ফাউন্দেদসন্না পাঙথোকখিবা সর্ভে অমগী মতুংইন্না, রেস্পোন্দেন্ট চাদা ৭৭ না লুহোংবা হায়বসি লোনা নুপা অমগা নুপী অমগগী মরক্তা লেপকদবনি। থা ১৮ গী মমাঙদা কোর্টনা রুলিং পীখিবা মতুংদা লাক্কদবা অহোংবশিংদা ভোট অদুনা অকায়বা পীনিংঙাই ওইদে হায়না টাইৱানিজ গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মদুনা লাক্কদৌরিবা লেজিসলেসন অদু শোন্থহনবা য়াই হায়না চিংনরি। নুংশিনবা অমসুং মান্নবা রাইট লৈহনবগী ৱাফমনা মায় পাক্কনি হায়না ঐখোয়না থাজবা থম্মী হায়না হ্যুমেন রাইটস এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলগী ইষ্ট এসিয়া কেম্প্যেনর সকি চুংনা হায়খি।

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL
ADVERTISEMENT

Imphal, the 22nd November, 2018

No.HCM/R-3/2018-Estt-II/ Applications are invited online for filling up the following posts in the Subordinate Courts of Manipur in the Scale of pay as given against the posts

Sl. No.	Name of Posts	Scale of Pay	No. of Posts *(Which may increase)*					
			UR	ST	SC	OBC (M)	OBC (MP)	TOTAL
1	Driver	5200-20200+Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules	4	1	0	0	1	6
2	Driver on Contract basis *co-terminus with 14th Finance Commission Award*	5200-20200+Grade Pay of Rs. 1900/-PM plus other allowances as admissible under the Rules	3	0	0	0	0	3

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in

Important Dates:

- **Opening of Online Registration and Submission of Application Form : 5th December, 2018.**
- **Closing of Online Registration and Submission of Application Form: 20th December, 2018.**
- **Last Date of Hardcopy submission: 21st December, 2018.**
- **Download of Admit Cards: Shall be notified later.**

Sd/-
R.K. MEMCHA DEVI
REGISTRAR (JUDL.)
HIGH COURT OF MANIPUR
Imphal, the 22nd November, 2018

Endt. No. HCM/R-3/2018-Estt-II/ 23511-49

HL-B/5020/23&25

য়ু এসকী মায়োক্তা লিংজেল মান্ননা লেপমিন্ননবা আপিল তৌখ্রে

দুবাই, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

ইরানগী প্রসিদেন্ট হশন রৌহানিনা মালেমগী মুস্লিম অপুম্বদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পবা অমসুং ক্রিমিনেলশিংবু অঙাঙবা কার্পেট থাদুনা ওকপগী থৌওং থাদোক্লবা আপিল তৌখ্রে। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগা মালেমগী লৈবাকশিংগা য়ানখিবা কুমজা ২০১৪ গী ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়র দিলদগী হন্দোকখিবা মতুং হৌখিবা মেদা ৱাশিংতননা টেহরানগী মথক্তা অমুক হন্না অথিংবা থমজিনখি।

অমেরিকানা লুচিংবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা কোক নোনবা হায়বসি ঐখোয়গী লাইনিং লাইশোন্দা থাজবা থমদবগা মান্নবদা নত্তনা লমদম অসিগী তুংগী মীরোলশিংগী থাজবা মাঙহনবগা পাঙ্খক ওইগনি হায়না প্রসিদেন্ট রৌহানিনা টেহরানদা ইস্লামিক য়ুনিটিগী মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি। ৱাশিংতন্না অচেৎপা মরী থম্নবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং অতৈ গল্ফকী ষ্টেটশিংগী মতাংদা পল্লদুনা মহাক্না হায়, ঐখোয়না ক্রিমিনেলশিংবু অঙাঙবা কার্পেটশিং থাদুনা ঈকায় খুম্নদুনা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা অরানবা থৌওংশিংগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা ঐখোয়গী প্রোফেট, ঐখোয়গী কোরান অমসুং ঐখোয়গী ইস্লামদা মখা তানা থাজবা থমখিগদ্রা হায়বদু লেপচগদবনি।

উলেমা কাউন্সীলগী সিনিয়র ক্লারিক ১ হাৎখ্রে

কাবুল, নবেম্বর ২৪ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী ৱাংবা লাইনিং লাইশোনগী বোদিগী লুচিংবা অমা ঙসিসু কাবুলদা হাৎখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসিগী থৌদোক অদু কেপিটেলদা সুইসাইদ এটেক চখদুনা লাইনিং লাইশোনগী স্কোলার ৫৫ হাৎখিবা মতুং নুমীৎ মরিনি কান্নরগা থোকখিবনি। কাবুল উলেমা কাউন্সীলগী লুচিংবা মাওলাৱি অব্দুল বাসির হাক্কানি নেংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। মহাক্কী হকচাং অদুনা য়ুম খরগী মনাক্তা তারম্বা থেংনখি হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সিনিয়র পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি।

কাবুলগী বেনক্বিট হোল অমদা প্রোফেট মোহম্মদকী মপোক কুমওন নুমীৎকী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা সুইসাইদ এটেক চখদুনা লাইনিং লাইশোনগী স্কোলার ৫৫ হাৎখিবা অমসুং মীওই ৯০ হেন্না শোকহনখিবগী মতাংদা থম্মোয় শোক্না লৈনরিঙৈগী মরক্তা হক্কানিবুসু হাৎখিবনি।

অফঘানিষ্টানগী উলেমা কাউন্সীল অসি গভর্ণমেন্টনা ফন্দিং তৌবা তৌইগুম্বসুং লাইনিং লাইশোনগী ক্লারিকশিংগী ওইবা ওটোনোমস বোদি অমনি। উলেমা কাউন্সীলদা য়াওরিবা ক্লারিকশিং অমসুং স্কোলারশিংদু সুনি অমদি সিয়াইট অনীমক্কীনি। মখোয়গী থৌদাংদি মরুওইনা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকপা অমসুং ইস্লামিক লোশিংগী মতাংদা গভর্ণমেন্টতা পাউতাক পীবনি। কাউন্সীল অসিগী মেম্বরশিংনা অফঘান লানগী ৱারোইশিন অমা ঈং-চিক্না পুরকহনবা পাম্মী। তৌইগুম্বসুং তালিবান্নদি মখোয়বু নোংচুপলোমনা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টকী পপেতশিং ওইনা উই হায়রি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

Vide Mut. Case No. 540/SDC/Oinam of 2018

1. Mutum Rosan Singh S/o M. Sharat Singh of Oinam.
...... *Applicant*

-Vrs-

1. Mutum Nilamani Singh S/o (L) Jhulon Singh of Oinam.
...... *O.P. Pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Oinam, 23-11-2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং ৩০-ওইনাম পাট্টা নং ২৮১ অরিবা ৭৫২ অনৌবা, দাগ নং ২১০৯, ২১১৯ এরিয়া একর ০.৩৫, ০.৯২ একর তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার (নিলমনি) মৃ: ওইখ্রে। দংকারিনা মহাক্কী মমীং কক্লগা নমা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, *Oinam***

HL-P/2557/25

ꯑꯦꯝ ꯚꯤ ꯔꯤꯌꯥꯖꯨꯗ꯭ꯗꯤꯟ ꯕꯨꯌꯥꯃꯌꯨꯝ

রিয়াজুদ্দিন বুয়াবু থাগৎচরি

***Contact Nos.*☎ 9856797338, 7085494783**

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হান্বা য়াম্না লিকপা অমসুং মতম শাংনা কুইনা লৌবা অমদি য়াম্না শংবা মরম্না শৌজ তাবা, লোয়ননা শৌজ অদু মশানা হনগৎলু হায়বা য়াদবা, খুৎনা অদুম ইনশিনবা অদুগা নিঙ্গাংনা ফম্বা মতমদা অমুক তারকপা, চিকপা নাবা, মরক মরক্তা কোক ঙাওবা, ঙকশম মরী নুংঙাইতবা, খ্বাঙ য়াম্না নাবা, এনসতা পোম্বা, খুদোম্বীমুক চাওনা পোম্বা, ঙাশা চারগনা য়াম্না হকচাং নুংঙাইতবা, ফম্বীগী পাৱর য়াম্না ৱাৎপা, ফৈগন ফৈরু চোকথবা, ৱান্থবা তৌরম্বা অদুবু **এম ভি রিয়াজুদ্দিন বুয়ামযুম** ☎ **৯৮৫৬৭৯৭৩৩৮, ৭০৮৫৪৯৪৭৮৩** দা চৎলগা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং মপুং ফানা ফরে। ওজাবু মপুনা চানবীবা ওইরসনু, মহাকপু পাউচেগী থোংদা হন্না হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম ঃ 1. Mayang Imphal Konchak Bazar
2. Moreh Bazar.

থাগৎচরিবা ঃ **S. TOLCHOU**
Thongjou Awang Leikai

HL-P/5677/25

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR
CORRIGENDUM

Imphal, the 22nd November, 2018

No. 3(I)/3/2009-HSC(Vol.-VI)/4544: In partial modification of the Notification of even number dated 26th September, 2018 issued in this regard, it is hereby informed to all the concerned that the **Design of Question Paper** of the **Physical Health Education and Sports** subject for both **Classes XI and XII** (given in the enclosed Annexure) will replaced the existing one and the same will be effective from the current session, 2018-2019.

All concerned are, therefore, informed to do the needful accordingly.

Sd/- **Ch. Biren Singh**
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/5027/25

GOVERNMENT OF MANIPUR DIRECTORATE OF FAMILY WELFARE SERVICES
NOTICE

Imphal, the 23rd November, 2018

No.01/MISC/MB/FW-12: It is hereby informed to all 244 MPSC recommended Medical Officers that the medical fitness examination has been scheduled from 10th December, 2018 at the Directorate of Family Welfare Services, Manipur, B.T. Road, Imphal

In this connection, all the concerned MOs are instructed to collect the requisition for investigation process from the Medical Board Section and they have to submit the reports on or before 7th December, 2018 during office hour.

Sd/- **DIRECTOR**
Family Welfare Services, Manipur
Govt. of Manipur

HL-P/2556/25

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref:- Mut. Case No. 448/SDC/K of 23/11/2018

Party :- Moirangmayum Jeenat Singh S/o M. Tamobi Singh of Keirak.
Present Address - Wabagai Lamkhai Bazar.
... *Petitioner*

-VS-

1. Moirangthem Jatra Singh S/o Late M. Chaoba Singh of Keirak.
2. Samod Miya S/o Usmail Miya of Keirak.
... *Pattadars*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Kakching, the 23rd November, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. ৮৯৯ (অনৌবা), সী: এস: দাগ নং ২০৩৫, এরিয়া ০.৩৩০৫ চাওবা, ভিলেজ নম্বর ৬৫ কৈরক ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার অনীমক মৃ: ওইখ্রে। পেটিস্নরনা মীং ওনশিনবীরো হায়না কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোংবদগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চে ওইনা য়েৎপিরবা য়াগনি। পীরিবা মতমগী মনুংদা য়েৎপিহৌদ্রগদি কেশ মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই।

Sd/- **M.R. SAHA**
Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-P/5727/25

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref:- Mut. Case No. 446/SDC/Kakching of 23/11/2018

Party :- Moirangmayum Jeenat Singh S/o M. Tamobi Singh of Keirak.
Present Address - Wabagai Lamkhai Bazar.
... *Petitioner*

-VS-

Mayengbam Nodiya Singh S/o Late M. Chaoba Singh of Keirak.
... *Pattadar*

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE

Kakching, the 23rd November, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি Under Patta No. ৮৯৮ (অনৌবা), সী: এস: দাগ নং ২৩৪ গী এরিয়া ০.২৪৮৫ হেক্তর চাওবা, ভিলেজ নম্বর ৬৫ কৈরক, ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। পেটিস্নরগী মীংদা ওনশিনবীরো হায়না কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোংবদগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চে ওইনা য়েৎপিরবা য়াগনি। পীরিবা মতমগী মনুংদা য়েৎপিহৌদ্রগদি কেশ মখা চৎথগনি মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই।

Sd/- **M.R. SAHA**
Sub-Deputy Collector, Kakching

HL-P/5727/25

TODAY
TODAY
HOUSIE BUMPER DRAW
In aid of Annual Fund Drive
Org. by: Imphal East Taekwondo
Regd. No.244 of 1994
TICKET RATE
₹1,700/-
ONLY
Housefull
6 LACS
1st MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 200/-
Housefull
Rs.60,000/-
2nd MINI BUMPER
Ticket Rate
Rs. 500/-
Housefull -
1,2,3,4, Activa-5G
All Line,Quick 5& Star are 5,000/-
Date & Time
25th November 2018
at 5.30 P.M.
Venue : Kakwa Bazar Near Vishal Opp.
HL-P/5729/25